# তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**

**খোইয়ুম লাই,** নমু তাইবঙ মীওইবা, শা-ঙা, মীনা শেন্বা মখল খুদিংগী পোৎ চৈ খুদম ওইনা হৌজিক্কী মতমদা কম্প্যুটরশিং, সেটিলাইট, ইন্টর্নেটকী মখলশিং মখোয় মশাগী ওইবা অখন্নবা মতিক ময়াই অদুম লৈনৈ। লাইনীং-লাইশোন কয়াগী মরমদা থাজনা নীংনরিবা লাইশিংগী মতিক ময়াই অদুম লৈনৈ, অদুনবু মাগী মাগী থাজনবশিংনা থাগৎনরিবনি। মতিক ময়াই অমনা হেনবা অমনা ৱাৎপগী মতাং মরমদদি হায়জররোই। নমু তাইবঙ মীওইবশিংগী মরক্তা ফাওবা মালেমগী য়ানরোলননি খঙদে, য়ু এসকী প্রসিদেন্ট ওইবা, রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবা, নৌনা কনখৎলক্লিবা নোর্থ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইবা মতিক ময়াই লৈবশিংনি হায়না লৌনরি/শিংথানরি। অসুম্না মালেমদা ৱাথোক ওইরিবা ন্যুক্লিয়র ৱেপনশিং মথং-মথং হিদান্নবগুম মালেমগী লৈপাক কয়ানা চাংয়েং তৌনরকপা কয়াসি য়েংলুরগদি মতিক ময়াইশিং মাগী মাগী ওইবদু উৎথোক্লুবনি। অফবা ফত্তবা মতিক ময়াইশিং খন্ন-নৈনবদা ফত্তবশিংনা হেন্না থুনা মরু ওইনা নৈননীংবসি মশানা তাবনি। মরমদি ফত্তবশিংদি চেকশিন্নীংঙাইনি। হন্দক মরক লাইনীংগা মরী লৈনবদা নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবা থৌদোকশিংদা যূম্ফম ওইরগা জেলদা লৈরিবা দেরা মচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিমগী মথংদা স্বামি কৌশলেন্দ্র প্রপন্নচারি ফলাহারি মহারাজ (থোকখিবা থৌদোক্লা ওগষ্ট ৭, ২০১৭কী নুমিদাং পুং ৭ তাবদা) অলৱার পুলিসনা সেপ্তেম্বর ২৩দা ফাখিবসি মতিক ময়াই লান্না উৎথোক্লুবগীনি।

মথং মথং চত্থরক্লিবা মতাংগী মতুং ইন্না খুমন ইপুধৌগী নুংগী ওইবা পুয়াগী ৱারোল থমজদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খুমন ইপুধৌসি নমু তাইবঙগী ঐখোয়না করম্না শম্না খঙবা য়াবগে হায়বগী মতাংদা মশু ইবেন্মা লাইশ্রম মমতা চনুনা অসুম্না থন্বীরকই। খুমন ইপুধৌ ইরমদমসিগী লৈরিবা য়েক তরেৎ, সলাই ৯সিগী মনুংদা অথোইবা অমনি। য়াম্না শাথিবা লাইনি হায়নবগী মরুওইবা মরমদি হায়নখিবা ৱাফম/য়াথং হিক্তোকপা য়াদবা, শোয়রবদি য়াম্না শাওগনবা, মৈগুম চাকপা ঙন্বা অদুগুন্বা মপূনি। হায়নববু শোয়দ্রবদি উনগুম্না ইংবা, শিনবা থুংনা লৈদুনা থৱায় পানবশিংগী থৱায় য়াইবীরেল ওইবনি। মঙাং, লূৱাং, খুমন অহুম অসিনা অমমম ওইরগা অহানবগী হৌরকফম মরূনি অদুনা মীতৈ ইপা-ইপুশিংনা লাই হাক্তক্তগী মোংবা ইরান য়াইশিংদা ফুঙ্গা নায়দুনা লৈরম্মীবনি। মদুদা য়োৎশবী হায়না লৈবদুগী মখোঙ অহুমদুনা মথংশিৎনা মঙাং, লূৱাং, খুমনগী শক্তম লৌদুনা তাইবঙপান অসিবু ঙাকই। য়োৎশবী মখোং অহুম হায়বসিগী কান্নবনা কনাগুন্বা অমা অনা-অয়েক য়াওরকপা, লাইওক-তিনওক তৌবদা মখোং অহুমসিদা খাম্বী মৈ ইরাৎচরবদি অনাবদু শোয়দনা ফগনি। পোৎশেমগী পোৎলমশিং ইমুং অমদা পাইশিল্লকপা মতমদা য়োৎশবিদু হেক লেংথোকপা মতমদা পাইরিবা ফত্তবা পোৎশক্তু লৈমায়দা লোংনা অদুম তারক্কনি। খুমন ইপুধৌদা অনা-অয়েক য়াওরকপা মতমদা চঙজদুনা হায়জ-নোঞ্জ, থৌনিজরবদি অনা-অয়েকশিংবু ইপুধৌনা ইরায় লায়না শোয়দনা ফহনবীগনি। খুমন ইপুধৌনা তাইবঙ মীওইবা পূম্নমকপু থৌজানবিগনি। খুমন ইপুধৌনা থৌজানবিবদা লাইনীং লাইশোন মান্নবা-মান্নদবা, ফুরুপ মান্নবা-মান্নদবগী ৱাফম লৈতে। মালেমদা লৈরিবা মীওইবা খুন্নাই অপূন্বগীনি।

খুমন ইপুধৌনা শাদোংবিবনি খঙলকপা হৌগৎলকপদা লাইশ্রম মমতা চনু ককৱা লিলান্দো লম্পাক্কী মমাঙ পাংবদা (লায়না থিবদা খঙনবা), লৈবিনা খুমন ইপুধৌগী শাফোংলমদাইদা ইরমদমগী লাই কনা অমগী লাইফম কদায়দা থৌনিজখিবগে হায়বগী মতাংদনা অসুম্না অমুক পাউদম্বীরকই।

খুমন ইপুধৌনা মশু মমতা চনুবু চহী অহুম মপান থোকপা হায়বদি খরাই থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না চৎপা য়াদে হায়না অকনবা য়াথং তাওথবিবদগী য়াম্না ৱানা ইপুধৌগী য়াথং ঙাক্লা মতম চহী অহুমদু লেনখি। মতমদুদা খুজিল খুয়া, শমনা ফাওবা ককপা অমত্তা য়াদে, নমু তাইবঙ মী অতৈগা তিন্ন-তোৎনবা, অশেঙবা ফিজেৎ, চাক-এঙ্গাং নত্তনা করিমত্তা চাবা থকপা য়াদে হায়দুনা অথিংবা থন্বীবদগী হায়রিবশিংসি লোয়না ঙাক্লা চৎখি। মসিগী মথক্তা তাইবঙগী ওইবা হরাউ কুম্ধে ফিজোং করিমত্তা য়াওবা, য়েংবা য়াদে হায়দুনা ৱানা পুন্সি লেলহনবসি লাই নত্তনদি অহিংবা তাইবঙ মী অমদদি অৱাবগী মশকনি। তূমদবা-চাদবা হায়বসিদি লাইশিংদি ঙমই অদুবু মীওইবা ঐখোয়দদি মসি মতম শাংনা ঙমদে। অদুবু মতমগী খোঙলৈ মতুং ইন্না চহী অহুম শুরকপদগী থৌজাল অমা পীরকপা ওইনা খরাই থোঙ্গাল ৱাংমা লান্না চৎলগা শাফোঙবা য়ারগনি হায়না তাকপীরকপদগী কুমজা ২০১৪গী ওক্টোবর ৮, মেরাগী থানিল যূমশকৈশ নুমিৎসিগী অয়ূক্কী পুং ৮ রোম তাবদগী ইপুধৌ মমতা অমদি খোঙলোইশিংগা লোয়ননা খরাই থোঙ্গাল লাল্লগা শাফোঙনবা অহানবা খোঙচৎ অমা গাড়ীদা চৎখি। নুমিৎতুগী অহানবদা ফার্ষ্ট এম আরগী চাগোইনুং হয়িং খোংবান্দা লৈরিবা লাইনিংথৌ সনামহিগী মকাইফমদা চৎলগা খুরুমজখি। মদুদা মফমদুদা লৈরম্বা মাইবা মাইবীশিংনা শঙলেনগী মপান্দগী খুরুম্নবা হায়রকপদা লাইনিংথৌগী মখোং পায়দুনা খোইরুমজগে হায়বদা য়াবিবদগী নোংপোক থংবা থোংদা চঙবদি অচুম্বা লম্বী ওইবদু ওইদগী ওইনা চঙহনখি, অদুদগী মখা ওন্দুনা লৈরিবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী ফম্বাল মখোং কোন্দুনা নীজনীংবা কয়া নীজদুনা খুরুমজখি।

অনীশুবা ওইনা, কংলাদা লাক্লগা/চৎলগা নোংদা লাইরেল পাখঙববু খুরুমজখি। অহুমশুবদা, নূংশেং ইকোননুংদা লৈরিবা ইপুধৌ নুংজেং পাখঙববু খুরুমজখি। মরিশুবদা, ইপুধৌ পাখঙবা মঙাংগী শঙলেন মনুংদা চঙলগা ইপুধৌবু মায় নোংপোক ওল্লগা খুরুমজখি। মঙাশুবদা নূংলেন তরেৎ ফাওরিবা খুনা মম্না লৈরিবা খুমনগী শক্তম লৌরিবা ইপুধৌ খুমনগী মশাইগোন্দা লৈরিবা শুরুংদা লৈরিবা খুমন ইপুধৌবু খুরুমজখি। অসিগুম্বা খুমন ইপুধৌনা চঙদুনা লৈখিবা মফম অসিবু 'কংলাগী খোইদৌনি' হায়না হায়রম্মীবনি, খ্বাইদগী মরুওইবা মফমনি। মসিবু 'লৈনুং থোংঙারেল' কৌই।

তরুকশুবদা, নোংমদোল থক্তা লৈরিবা অতিয়া শিদববু খুরুমজখি। তরেৎশুবদা, হিয়াং হিরেল অচৌবা খুমন নিংথৌবু খুরুমজখি। নিপানশুবদা, কংলাগী কোনুং অরিববু য়েংলগা খুরুমজখি। মফমদুদা ঙৈহাক ফমদুনা পোত্থাদুনা হকচিক লাংখি। মশাদা (মমতাদা) য়াম্না হরাউ তয়াম্বা ফাওজখি। ইরমদমসি লাইগী লৈপাক ওইবনিনা মখোয় (চৎমিন্নবা) পূম্নমক খঙহনগে হায়না উহনবনি, লাইগী থৌজাল ফংজবদগী লাইগী লমন তোনখিদ্রে খঞ্জবদা হরাউ তয়াম্বা ফাওখি হায়না খোঙচৎতুদা য়াওবা অমনসু চপ মান্নবা মওংদা ফাওখি হায়না পাউদম্বদুদা য়াওরকখি।

নুংশাগী মৈশানসু য়াক্লকপগা, চথোক-চৎশিন খরা তৌবদা ৱানরকপগা, খোঙচৎতুদা য়াওবা খোঙলোয়শিংগা লোয়ননা ইপুধৌ লাইশ্রম মমতা চনুগী মরানয়াইদা অমুক পূন্না হনমিন্নরকখি। ময়াম পূম্নমক অচম্বা অচা-অথক খরনা হরাউ তয়াম্না অমৎতা ওইবগী ৱাখলদা চিন্দম্মিন্নখি। ঙহাক পুঙ্গৌই ফমিন্নদুনা অৱাবা কোকথোক্লদুনা খুমন ইপুধৌগী পাউজেল্লোই ওইরিবী ইপুধৌ মমতা চনুবু মীয়ামদা শক্তাকপগী থৌরম লোইশিনখি।

মথং চহীগী চৈচৎ ১৭/৪/২০১৫দা ইপুধৌ তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌগী অশেঙবা শাফোংফম ওইগদবা 'তাঞ্জেং পাৎ' হায়না মিং থোনবা কে মংলেম মঙাংনা ইবা ঈশৈ অমা এল পিঙ্কি চনুনা শকখি। অদুগা চৈচৎ ১৩/৫/২০১৫দা তাঞ্জেং পাৎ অমদি অকোয়বগী ফীভম/শক্তম য়াওবা/উৎপা ঈশৈগী ফিল্ম অমা নমখি। মদুদসু এল পিঙ্কিনা মশা মতোমতা শক্তম লাংখি। ঈশৈগী মরুওইবা পান্দমদি লমদমসিগী হায়বদি ইরমদমগী লৈপাক খুন্নাইদা নুংঙাই য়াইফনবা, খুঞ্জাও লৈচাওনবা, ঐখোয় পূম্নমক্কী পুন্সিদা মতেং ওইগনি, পুন্সি নুংশাংবা ওইনবনি হায়বা পাউজেলবু মীপুম খুদিংদা য়ৌহন্নবনি, খঙহন্নবনি। লাইফমলেনশিংদা চৎতুনা থৌনিজরুবা মতুংদগী হৌনা হৌজিক ফাওবদা লেপ্পা লৈতনা মীয়ামগী অৱা-অনা, লৈবাক্কী য়াইফ-নুংঙাই মরাং কায়হন্নবা ইপুধৌ খুমনগী মকাইফমদা পাউতাক পাউজেল লেপ্তুনা পীজরিবসি মালেমগী লৈপাক খুন্নাইশিংগীনি হায়রোইদ্রা/হায়দব্রা?

'তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা য়াইফরে।'

# মীতৈ/মণিপুরী জগোয়

**ডা. থৌনাওজম রুহিচান্দ**

**ইন্দিয়ন** স্কুল ওফ দান্সতা মরুওইবা জগোয় ৫ লৈরিবা অদুদা মণিপুরগী জগোয় হায়না মমিং কৌজরবসু তশেংবদি মীতৈ জগোয়বু খঙনৈ। মণিপুরী হায়রগদি অতোপ্পা ফুরুপ ময়াম অমসু লৈরি। অদুবু অৱাবদি মীতৈ জগোয়গী অফাওবা মীশক্কী মমিং পল্লকপদা মীতৈ মচাগী মশীংদগী মীরমগী মীনা মশীং হেনবসি হেক হেক থেংনৈ। ফীভম অসিদা মীতৈ মচানা হীরম অসিদা শরুক য়াম্না য়াদ্রিবগী মরমদা মীৎয়েং হেন্না চঙবা মথৌ তারিব্রা হায়বদু খন্দবা ঙমদে। ঙসিগী মালেমদা মীতৈ উমংলাই হরাউবগী কাঙলোনশিংদগী শেমখ্রিবা জগোয় রাস অমদি মণিপুরী নট সঙ্কটনগী চোলোম্না মালেমগী তাঙলবা কলচর হেরিটেজশিংগী মনুংদা চন্দুনা মশক মচু থোক্লা আর্ট এন্দ কলচরগী তাইবঙ অসিদা মমায় পাক্লা মালেমগী মফম শিনবা থুংনা চৎলি অমদি অচৌবা ইকায়খুম্নবশিং ফংলি। উমংলাই হরাউবদগী শেমখিবা জগোয় রাসকী মশক মতৌ, চিংলেম্বা খূৎথেক-শাথেকপু উবদা ঙাওখ্রবা, ঙাওখ্রবী কয়ানা মশা-মশাগী মরন-মথুম, পুন্সি কথোক্তুনা মৈত্রবাক্কী অফাও-অফাওবা ওজাশিংগী মফমদা জগোয় অসিবু তমগদবগী মখোয়গী কোনুংগুল্লবা ময়ূম-মকৈ, মরমদম্বু থাদোক্তুনা লৈনখ্রবনি। হায়রিবা ৱাফম কয়াসিনা মাঙদা থমদুনা ঐখোয়না নৈনবা য়াবা ৱাফমদি উমংলাই হরাউবনা মীতৈ ফুরুপ্পু মালেমদা মশক কয়াম তাকখ্রবগে হায়বসিনি।

মীতৈ খুন্নাইদি জগোয় (চকোই/চৎকোইদগী লাকপা) য়াম্না ঙাওজবা অমদি য়াম্না হৈশিংবা কাঙবুনি হায়বসি পীক্লিবা অঙাংশিংদা ফাওবা 'তাদিং' তন্বীবা অসিনা লেঙদ্রবা খুদমনি। উমংলাই হরাউবদা খুন, লৈকায়গী নুপী, অঙাং, নুপা, নহা, অহল-লমন পূম্বা হুপ্না লাইনিংথৌ-লাইরেম্বীদা জগোয় খূৎথেকশিং কৎপগী চৎনবী অমা লাই হাক্তক্তগী ঙসি ফাওবা চত্থনরি। মীতৈ ওইনা পোক্লগা থাবল চোঙবা হৈতবা মী পঙলৈ লৈরম্লোই হায়না খল্লি। মীতৈ জগোয়গী হৌরকফমদি ফুরুপ অসিগী নাৎ-চৎনবী পূম্নমক্কী হৌরকফমসু ওইরিবা উমংলাই হরাউবদগীনি হায়বসি কনামত্তা য়েৎনদ্রবনি। হৌজিক হৌজিকমক ঐখোয়না উরিবা মীতৈ জগোয়গী মশক অসিমক্তি মীরোল খরদা হেক্তা শেমখি-ওইরকখিবদি ওইরমগনি হায়বা থাজদে। অদুঙৈ তাইবঙপানবা মপূনা মালেম অসি শেম্লকখিবা মতমদগী হৌদুনা মশীং থিঙমদ্রবা চহী অমদি নিংথৌরোল কয়া লান্দুনা খজিক-খজিক শেমগৎলকপনা হৌজিক্কী থাক অসি য়ৌরকপা ওইরমগনি হায়না খল্লি। অদুমকপু মীতৈ জগোয়গী দিভলপমেন্ট ষ্টেজশিং অসি চাওরাকপা তাঙ্কক খরা খাইদোক্তুনা নৈনফমদি থোকপনি। মালেমদা ফাওরবা জগোয় অসিগী পার্ফোমেন্স ষ্টদি তৌবা মতমদা ফিলোসোফিকেল ষ্টদিশিংসু য়াওশিল্লবদি মহাক্লা মালেমদা শেৎ-কায়না ফাওবগী মরম হায়বদি জগোয়সিগী তোপ-তোপ্পা মশক, মতিক-ময়াই য়ুনিকনেস কয়াদু শোয়দনা থোরক্কনি হায়না নীংজৈ। মীতৈ জগোয়দি আইদিয়া য়াম্না ফজৈ, এষ্ঠৈষ্টিটিক ভেল্যু য়াম্না ৱাংই, মাগা লোয়নরিবা ফিজেৎ-লৈতেং, ঈশৈ-নোংমাই, থিন-খোঙলিবা ত্রেদিসনেল ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্টশিং অসিগী কন্ত্রিব্যুসন অসিনা জগোয়গী থৱায় হাপ্লি। জগোয় অসিদি চুম্নগী ঈরাং অমদি কামগী তখেং-তখেংবা খূৎথেক-শাথেক অদু নত্তে। ইংনা লেম্না হকচাংগী কয়াৎশিং লেঙ-ওৎতুনা পূক্লিং ৱাখল কয়াবু ফোঙদোকপা য়েংবদসু য়াম্না নুংঙাইবা পূক্লিং হুবা জগোয় মখলনি। মওং অমা নৎত্রগা অমদা মীতৈশিংনা পাঙথোক্লিবা পুন্সিগী থৌরমশিংগা শাগোন্নদা শক-শোল্লিবা, ঈশৈ-নোংমাই, লাইশোন-তিনশোন কয়াগা জগোয়শিং অসিগা চেৎনা খূৎশম্নদুনা লৈবা উবা ফংই। মতৌ অসুম্না মীতৈ জগোয়বু মোং হাদবা লিরি-খোইরিবা, চীংলেম্বা হকচাংগী খূৎথেক-শাথেক্লা মেঙলবা মালংবনা য়ৈবদা অনৌবা ফৌনানা নোম-হাইবগুম্না মীয়াম্না শৈথানরিবসি অদুম চুম্লগদ্রা? নুপাশিংনা পাঙ্গল থোক্লা শারকপা মতমদনা শাফু কনবা নোংলৈ-নুংশিৎকুম উবা, অকনবা ঈশিংগী ইরাওখোলগুম্না থম্মোয়বু খোনবা জগোয়গী মশক্কি হায়না অখঙ অহৈশিংনা নৈনরম্বদু ঙসিদি ৱাহন্থোক লৈখ্রবা মীতৈ জগোয়শিং অসিদা হোংলক্লিবা পামদবা অওনবশিং অসিনা মরিং-মরাংবা কয়া থোকহল্লিবা অমদি ঐখোয়গী নাৎ, চৎনবী অমদি পুৱারীনচিংবা কয়াবু লান্না চিংলিবা। "The lyrical quality, the supply & graceful elements of this form and the deep devotional lyrics, make the Manipur dance an expression of the inner longing of the devotee for union with God" হায়না The sacred Dance of India হায়বা Bhartiya Vidya Bhavan, Bombay দা ফোঙবা লাইরিক্তুদা ময়েক শেংনা ইরি। শোমদনা গ্লোবেলাইজেসনগী কল্লবা শাফুবু লান্না শীজিন্নদুনা কলাগী তাইবঙদফাওবা ফোঙনা করপসন তৌরকপা মীয়াম্না খঙন-উনরবা ঙাক্তনি।

মালেমদা মণিপুরবু মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা অসিগুল্লবা মীতৈগী জগোয়শিং অসি ঙসিগী খুন্নাইসিদা করম্বা মফমদা অমদি করম্বা থাক্তা লৈরিবগে হায়বদু অমুক নৌহৌননা থিজিন-হুমজিনমিন্নবা অমা চঙলি। মীতৈ জগোয়শিংদি উমংলাই হরাউবগী লাইবুংদা লাইগী থৌগল তৌবদা মীয়াম হুপ্না শাবা উবা অদুম ফংলি। অদুগা লাইবক থীবদি মমল য়ামখ্রবা জগোয় রাসকী খূৎথেকশিং অসিদি য়াম্না তাঙনা ফঙ্কসন্নচিংবা খরদা অদুক উবা নত্তনা জগোয় রাস কৎনবগী চৎনবীদু তপ্না তপ্না মুৎশিল্লক্লে হায়না লৌবা য়ারে। য়াম্না মেঙবা, ঈং-তপ্পা অমদি থোৎ-নৌবদা লম্বা লৈতবা মীতৈ জগোয়শিং অসি তাকপী-তন্বীবগী কাঙলোনসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা করম্না চত্থরকপগে হায়বদু নৈনরবদি মীতৈগী জগোয়-ঈশৈদা লম য়ৌনা ফাওবা ওজাশিংগী তোঙান তোঙানবা মচৎশিং, মতিক-ময়াই অমদি ফিদম্নীংঙাই ওইরবা ৱাখল্লোন কয়াদসু শোয়দনা খঙলকখিগনি। চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না ঙসিদি শঙ্গীৎ নাটক একাদেমিগী মখাদা লৈবা জে এন মণিপুরী দান্স একাদেমি, গভর্ণমেন্ট দান্স কোলেজ, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচরগী দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা দিপার্টমেন্ট ওফ দান্স এন্দ ম্যুজিক অমদি অতোপ্পা জগোয়গী দিপার্টমেন্ট কয়া মীরমগী য়ুনিভর্সিটি অমদি কোলেজশিংদা মীতৈ জগোয়গী একাদেমিক ষ্টদি তৌফম কয়া লৈরক্লিবনিনা তাঙলবা আর্ট ফোর্ম অসিগী মরাইবক অসি য়াম্না অফবা ফীভম অমদা লাক্লি। হায়রিবা মহৈলোইশঙশিং অসিনা পার্ফোমিং আর্ট অসিবু তশেংনা চাওখৎহনগে হায়রবদি নৈনগদবা অমদি থিজিন-হুমজিনগদবা হীরম কয়ামরুম লৈরি। মীতৈ জগোয়গা থাঙ-তা, মণিপুরী নট সঙ্কটন, পেনা শৈশক, থাবল চোঙবনচিংবা অতৈ আর্ট ফোর্মশিংগা লৈনরিবা মরীদু খরা হেন্না কূপথনা একাদেমিকেল্লি নৈনবা মথৌ তারি। লমদমসিদগী মুৎখ্রবা অমদি মুৎখিগদৌরবা জগোয়শিংগী মতাংদসদু থিজিন্দবা য়ারোই। লৈরক অমা শৈশক অমা হায়বগী মতুং ইন্না মীতৈ জগোয় খরদি লম-লমগী মতুং ইন্না খেন্নবা কয়া উবা ফংই। মাইচৌ খুমল্লম্বম য়াইমনা ইরম্বা 'মৈতৈ জগোয় (অনোয়রোল)' দা থল্লল্লিবা ৱারোলশিংদু হঞ্জিন-হঞ্জিন নৈনবা অমসু চঙলি। অতৈ মীতৈ পুয়াশিংদা ইরম্বা জগোয়গী ৱারী-লিখুনশিং কূপ্না থিজিন্দ্রি হায়না লৌবা য়াই। জগোয়শিং অসিদা হকচাং ফননবা শাজেলগী কাঙলোন য়াওব্রা, ক্রিএভিটি অমদি পর্সনেলিটি দিভলপমেন্টদা কয়াম মতেং পাঙলিবা, ঐখোয়গী কলচরেল এন্দ নেসনল আইদেন্টিটিগী ইলিমেন্ট কয়াম য়াওরিবা, এন্টর্টেনমেন্টগী মচাকশিংনা করম-করম্বা মওংদা শেম্লল্লিবনো হায়বনচিংবা রিহার্সেল ক্বেসন কয়া অমসু ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরি। উমংলাই হরাউবগী লাইবৌ জগোয়দা হকচাং শাবগী খূৎথেক ৬৪ শুই অদুগা অমুকসু লাইবৌ চোঙবা জগোয় খূৎথেক ৩৬৪ শুই হায়নসু হায়রি। করম-করম্বা জগোয়শিংনা পুল্লগা হায়রিবা খূৎয়েক ৩৬৪ অসি শুগদৌরিবনো হায়বসি ঙসি ফাওবদা পুল্লপ্না জগোয় খূৎথেক-শাথেক মশীং কয়াম য়াওবগে অমদি চাওরাক্লা মখল কয়া থোক্লা নৈনবা য়াবগে হায়বসিসু জগোয়গী মহৈরোয়শিংদি শোয়দনা খঙনীংলমগনি। অদুঙৈ লৈশেম-নোংশেম্বদগী হৌরক্তুনা থৱায় পানবশিং শেম্বা, মীশেমলোন, যূমশারোল, পাময়ানলোন, ফিশারোল, লৌতারোন্নচিংবা অদুঙৈ চীংউ-খোয়ুম লাইয়াম্না খুন্থোক্লকপদা পাঙথোকখিবা মশীং থিঙমদ্রবা থৌদৌ কয়াবু জগোয় খূৎথেক-শাথেক্তনা উৎননবা লাক্লরিবা লাই হরাউবগী জগোয়শিং অসিসু তশেংনা অঙকপনি। করম্মাইনা শেমগৎ-শাগৎলল্লিবনো, ইপা-ইপুশিং অদুগী হৈশিংবা অদু তশেংনা থাগৎনীংঙাইনি।

লোইশিল্লকপদা থমজনীংবা মখা তানা নৈনবা অমদি থিজিন-হুমজিনবা য়াম্না মথৌ তারি হায়না খঞ্জবা ৱাফম খরদি- (১) মীতৈ জগোয়না ইন্দিয়াখক্তদা নত্তনা মালেমদা য়াম্না অফাওবা জগোয় অমা ওইরিবসি করি করি তোপ তোপ্পা মতিক-ময়াই, য়ুনিক ওইবা মচৎ, মওং-মতৌ অমদি এষ্ঠৈষ্টিটিক ভেল্যু লৈবদগীনো? অফাওবা জগোয় অমা ওইবদা করি করি কেরেক্টেরিষ্টিক চেনগদগে? (২) মীতৈ ঐখোয়গী চৎনবীদা পীক্লিবা অঙাং নৱাশিংদা 'তাদিং' তৌবা তন্বীরিবসি করম্বা চৎনবীনো? তাদিং হায়রিবা ৱাহৈসি মতৌ করম্না কদাইদগী হৌরকখিবনো? (৩) মীতৈ জগোয়দা নুপী জগোয় শাবিশিংনা কৃষ্ণগী শক্তম লাংদুনা ফৈজোমগা শেত্তুনা মান্দবতা অমদি ষ্টেজ জগোয় শাবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি করম্বা মতমদগী অমদি মতৌ করম্না হৌরকখ্রিবনো? হৌদোক্লকপা মতম অদুৱাইদা ৱায়েৎকা থোকখিবগী ৱারীগা লৈ-লাকখিব্রা? জগোয় শাবীশিং অমদি ওজাশিংগী ৱাখল্লোন দদি নুপীনা অসুমাইনা ফৈজোমগা শেৎচিল্লগা নুপাগা শারিবসিগী মতাংদা করি ৱাখল্লোন থন্বীনীংবগে হায়বদু মীয়াম্নদি য়াম্না খঙনীংবা অমা ওইগনি। হায়বদি খরা হেন্না পাঙ্গল থোক্লা খরা লিংলপ অমদি কল্লপ তৌনা নুপাগী জগোয় ওইনা শাগদবদু নুপীগী য়াম্না থোৎ-মেংবা, ঈং-তপ্পা খূৎথেক-শাথেক্তুনা মহুৎ শিল্লকপদা খরখিৎ কায়ব্রা হায়না সুম খঞ্জরিবা। নুপানা মাইবীগী শরোং শেৎচিল্লগা উমংলাই হরাউবুংদা মাইবী জগোয় শারম্বগী মতাংদসু মীয়ামগী ৱাখল্লোন কয়া অমসু লৈরিবনি।

## মরোল থোকপা লাই




# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম

## অমসুং অতৈ-অতৈ

### নুংঙাইজখিবা নুমিৎ অমা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌখিবা** সেপ্তেম্বর ৭, ২০১৭ শগোলশেন নুমিৎতা ঐগী মরিশুবা লাইরিক 'অশাবা ভুৎ (শৈরেং) ফোঙবগী থৌরম অমা ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালদা পাঙথোকখি। ফোঙনবগী থৌরাং তৌবা হৌরকপদা ইশাসি ইচিন চিল্লি, প্রেসতা ঙাইহাক লৈতনা চৎলি, অশোয় অঙাম চুমথোকমিন্নে। লাইব্রেরিগী ষ্টাফ ২০মুক্কা ইমাখোলগী মেম্বর ২০মুক্কা, মেদিয়া কাঙবু খরগা মীওই ৫০/৬০ খক্তংগী লাইরিকসু, রিফ্রেসমেন্টসু থৌরাং তৌরে। সেকমাইদগী মমিং লৈরবা অইবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপমসু ঐগা পূন্না ফোঙমিন্নরসি হায়রকপদগী মহাক্কী 'মরাল লুহোং তম্বা' হায়বা ঈশৈ লাইরিক অমসু পূন্না ফোঙমিন্নরে। কা অপীকপদা তৌগদবনি, মী য়াম্বা য়াররোইদবনিনা লাইরিক ফোঙবা খুদিংগী হরাউ-হরাউ য়াওজবা ইমা, পাবুং, ইবুং অনী ফাওবা হায়দ্রে। লুনা তিন্নজবা মরুপ মপাংশিংসু অমত্তা তাক্ত্রে। অদুবু পীক্তক্লা ইচম চম্না নুংঙাইবা থৌরম অমদি ওইখি।

নুংথিল পুং ১.৩০ তারমদাইদা দরকার ওইবা খুদিংমক হাপচিল্লগা যূমদগী থোরক্লে। থৌরম পাঙথোক্কদবা কাদু চঙলুবদা পোৎ চৈ, লাইরিক-লাইসু পীক থন্না পৈরগা লৈরম্বদা ঐ ঙাইহাক্তং পাখৎখি। পুং ২ হেঞ্জিল্লক্লবদি মী লাকপা হৌনরনি করম তৌনি, থৌরমদি পুং ৩ চপ চানা হৌগদবনি। ঙাইহাক্তং অতোপ্পা কা অমদা ফমদুনা লৈরে। অদুদগী পুং ২.৩০ তাবা অদুৱাইদদি লাইব্রেরিগী ষ্টাফশিংদুনা লোয়না শেম শাবা লোইশিল্লম্লে। ফ্লেক্স থেৎপা, ফমফমগী থৌরাং পূম্নমক লোইনা শেম্লম্লে। ঐ ঙকপগা নুংঙাইবগা থম্মোয়সে য়াম্না পেঞ্জখি। মখোয়গী তৌবিমলসু ঐনা কাউজরোই। অদুদগী মী ময়াম লাক্তুনা পুং ৩ চপ চানা থৌরম হৌরে। ইমাখোলগী থৌরম খুদিংমক্তা মতম চপ চানা হৌবা হায়বসিমদি অদুম ঙাক্লা চৎলি। মসিগীদমক ইমাখোলগী মেম্বর অমা ওইনা চাউথোকচরিবনি।

ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী চীফ লাইব্রেরিয়ান ঈ লতাকিশ্বর সিংহনা অথোইবা মীথুং, খুরাইজম নিমাইচরন সিংহ, সাহিত্য ভুষন্না ইকায়খুম্নরবা মীথুং অমদি ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট কেশো সিংহ ইরেংবনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। ঐনা হায়জরুবদা ইকায়খুম্নজরবা অহুম্মক্লা হরাউ হরাউ য়াবিরকখিবদুনি ঐনা নুংঙাইজখিবা। অমুক্কা হেন্না নুংঙাইজখিবা ইকায়খুম্নরবা মীথুং ওইনা লেঙশিনবীখিবা পাবুং খুরাইজম নিমাইচরন্না ঐনা হায়জরুবদা উসব অমদি লৈ, খজিক্তং লাপ্পী নংগদ্রা হায়না ঙাইহাক্তং নীংজিং মাংজিংনরুরগা য়ারে নঙনা হায়ববু হায়না খুম্বীরকখিবদুনি। পাবুংদি অহলসু ওইরে অদুগা মশাগী থৌরমশিংসু য়াম্না কুংনা লৈবনি।

পুং ৩ চপ চানা থৌরম হৌরে, মৈরা চুখৎলে। অচম্বা খুদোলশিং তল্লবা মতুংদা ইমাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরি মমিং লৈরবা লিলা ইবা ইবোমচা লাংপোকলাকপনা তরাম্না ওকপগী ৱারোল পীরবা মতুংদা লাইরিক অনী মথং মথং ফোঙদোক্লে। ময়ায়দা লেঙশিনবীরিবশিংনা মখোয় মখোয়গী ৱারোল থন্বীরবা মতুংদা ঐগী লাইরিক্কী মখুম য়েকপীরিবা মমিং লৈরবা ইচা মাইকেল মীতৈ অমদি জেনরেল সেক্রেটরি ইবোমচা লাংপোকলাকপদা ঐনা অচম্বা খুদোল অমমম তমজরে। নুংঙাইজবা অমনা মাইকেলগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা আর্টস এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা নল্লিবদুগী শরুক খরসু নুমিৎতুদা নমখি।

থৌরমগী লোইশিল্লকপদা ইমাখোলগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ডা. চিঙ্গাংবম চন্দ্রকলা দেবীনা থাগৎ ৱাহে থন্বীখি। তুংগী লম্বীনা শাংহৌরবা মাংগী লম্বীনা তেল্লক্লবা মতমসিদা খোরিরোলদা খোঙসে থাংজিনজরুবদগী অনৌবা নুংঙাইবা কয়া অমা ফংজরি। পুন্সিদা হিংবগী তোপ তোপ্পা মহাও অমা ফংবগুম তৌরি।

*অদোমগী - ডা. নির্মলা রাজকুমারী, অহল্লুপ*